# এ দি সি চ্যারমেনদগী দ্রগ ফাবগী ৱাথোক এন আই এদা শিন্নগদবনিঃ সিব সেনা

এস এন এস

ইম্ফাল, জুন ২১ ঃ ঙরাং এ দি সি চান্দেলগী চ্যারমেন অমসুং বি জে পিগী লুচিংবা লুখোসৈ জৌ অমসুং মীওই নিপালদগী লম্ফেলপাত্তা লৈবা ক্ৱার্টরদগী য়াল্লবা দ্রগশিং ফাগৎখিবগী ৱাথোক অসিদা ভি আই পি শিং চেন্নরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা ৱাথোক অসি এন আই এবু থিগৎহনগদবনি হায়না সিব সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি বাবুপরাদা লৈবা সিব সেনাগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, মহাকপু ফাবা মতমদা লুখোসৈ জৌনা মণিপুরগী মমিং লৈরবা ভি আই পি খরা পল্লগা মহাক্কী মতেং পাঙবীনবা হায়রকপদা মখোয়না থৈদোকখিবদগী অশাউবা উৎপা, ষ্টেট ফোর্সশিংদগী লৈথোক লৈশিন তৌদুনা ষ্টেট ফোর্সপু শিংনবা অদু সিব সেনা মণিপুর ষ্টেটনা কন্দেম তৌই।

অসিগুম্বা দ্রগ লল্লোনবগী ৱাথোক অসি মমাঙদসু থেংখাঙ কয়ারক্তা মফম মরাং খঙদনা মাঙহনখিবা কয়া লৈখ্রে। ৱাথোক অসি মীয়াম প্রজা,গভর্ণমেন্ট, সি এস ওশিংনা পুন্না থেংনমিন্নদুনা খুন্নাই অসি কন্নবা হোৎনবদা মতেং পাঙবীয়ু হায়খি।

লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহারোল, মহৈরোই কয়া ঙসি নিশাগী ইপাক্তা লুপশিলক্লিবা অসিদগী কন্নবা দ্রগ পুশিনলক্লিবশিং অসিগী মথক্তা এক্সন লৌবা মথৌ তাই। মখোয়না দ্রগশিং অসি পুশিলক্তবা তারবদি চারোইদবনা দ্রগ পুশিনলক্লিবা মীওইশিং অসি অহকপা চৈরাক পীবা মথৌ তাই হায়খি।

দ্রগ চাবশিংনা মখোয়গী ইমুং মনুংদা নত্তনা খুন্নাই অসিদা চরাংনবা ফিভম কয়া থোকহন্দুনা শান্তি কায়হননবগী মচাক ওইহল্লি।

দ্রগ করবার তৌরিবা মীওইশিং অসিবু ভি আই পি শিংগী থাক্তা কনখত্নুনা থম্নবা হোৎনরবদি ৱাফম অসি সিব সেনানা পার্লিয়ামেন্টকী থাক য়ৌনা পুখৎনবা হোৎনগনি।

হৌজিক লৈরিবা ৱাথোক অসি এন আই এগুম্বা এজেন্সি অমদা শিন্নরগা থিগৎহনগদবনি। লোয়ননা গভর্ণরগী নাতোন শুমাঙদা বাজার মনুংদা য়ু দ্রগ য়োনবা অমসুং অৱাং এ ও সিদা য়ু দ্রগ ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মকোন ওইরিবা অসিদা পুলিসনা শেল লৌরগা য়োলহনলিবা অসিগী মথক্তা গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চংফম থোকই। হন্দক ফারিবা দ্রগকী করবারদা চেন্নবশিং অসিগী মথক্তা অহকপা চৈরাক পীবা মতম ওইরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# রিন্দা পব্লিকেসন্সনা চেফোঙ ১ লাইরিক ৪ ফোঙদুনা সিলভর সুবিলি থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, জুন ২১ঃ

রিন্দা পব্লিকেসন্সকী সিলভর জুবিলিগা মরী লৈননা লাইরিক ৪ ইংলিস অমসুং মণিপুরীদা ইবা থা ৬-৬কী পব্লিকেসন্স অসিনা পুথোকপা 'দি মিয়ুজ' হায়না মিং থোলবা চেফোঙ হৌনবী মতুং ইন্না সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

পব্লিকেসন অসিনা শীন্দুনা ঙসি য়াইস্কুল পুলিস লেন্দদা লৈবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যাম, নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্টার কাঙজম রধাকুমার (আই এ এস), লমজাওতোংবা জি পিগী প্রধান এলাংবম ওংবী সুশিলা দেবী অমদি সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেমনা মথং শীৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুন্নরবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়, পোলিটিক্স তৌবদা কবিগা লোয়নবা তিন্নবা অসি অদুক্কী মতিক কান্নে। কবি হায়বা অসি মবুক্তা ৱা থমদনা হায়নিং হায়নিংবা ৱা ফোঙনা লৌথুপ লৌকোই লৈতনা ফোঙদোকপা ঙম্বা মীশক অমনি। মরম অদুনা ঐখোয় খুদিংমক্না কবিদগী তমজবা য়াবা গুন কয়া অমা লৈ হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিদা লাইরিক অমা ফোঙনবা হোৎনবদা য়াম্না ৱাবা অমদি লাইরিক পাবিনবা মী হৈরে লৈতবগা লোয়নন শেন্দাল লম্বী ওইবা য়াদবা লমদম অমনি। অদুবু মীওইবা খুন্নাইগা সাহিত্যগা কৈদৌনুংদা তোখাইনা চৎপা য়ারোই হায়বা অসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবনি। খুন্নাই অসিদা থোকপা থৌদোক ৱাথোক কয়া অইবা অইবীশিংনা শৈরেং, ৱারেং, লীলা, দ্রামা, ফিল্মনচিংবদা পুথোক্নুনা মীয়ামদা উৎলিবনি।

হৌজিক্কী মতম অসিদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি জ্ঞান লৌশিং অমগা অমগা তাথোক তাশিন তৌবা অসিনি। কন্নাগুম্বা খরনা কবি ওইনিং ই হায়দুনা খুৎতা কলম অমা পায়রগা হেক্তমক ওইবা য়ারোই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি ফোঙখিবা লাইরিকশিং অদুদি থাংজম ইবোপিশক্কী "নীংশিংলি মতমদো", তোংব্রম চন্দ্রকালাগী 'ইপুরোইবা হল্লকখিনি', রাজেন খুমুকচমগী 'খোমজিনবা ৱারেং অনীশুবা শরুক', 'লীলা দ্রামা খরদা মীৎয়েং অমা' লোয়নন অইবা অসিনা এদিট তৌবা ইংলিশ অমদি মণিপুরী লোল ২দা চহী তম্খাইগী ওইনা ফোঙবা 'দি মিয়ুজ' হায়না মিংথোনবা চোফোঙ অসিনি।

# এম য়ু গেট মমাঙদা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চথখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২১ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি মহৈরোইশিংনা ঙসিসু য়ুনিভর্সিটি অসিগী মেন গেট মমাংদা ভাইস চাঞ্জেল্লর অদিত প্রসাদ পান্দে ফম থাদোকউ হায়না হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা খোঙজং চথখ্রে।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা এম য়ু ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ময়াংলম্বম দয়ামননা হায়, খোঙজং অসি ঙসিগা থানা নুমিৎ ২৩ শুরে। নীংথিনা মহৈ মশিং তমজরম্বদু হৌজিক্তি চরাংনবা অমদি কেরিয়র মাংলকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। খোঙজং অসিদা লমদম অসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা শৌগৎপীরকপা অসি থাগৎনিংঙাইনি।

থা অসিগী ২৩ লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা তাল্লিবা দবিশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রবদি থংনবা নুমিৎতগী দিমোক্রেটিক ওইবা হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# কুমওন থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা এৱেয়ারনেস পাঙথোকখ্রে

বিষ্ণুপুর, জুন ২১ঃ

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কৈনৌদা লৈবা কৈনৌ অমসুং মসিগী অকোইবদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংনবগী পান্দমদা শেমখিবা অপুনবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবা লূপ, কৈনৌগী চহী মরি শুরকপগী কুমওন থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মরমদা এৱেয়ারনেস প্রোগ্রামসু কৈনৌ থোংখোঙ কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।




থৌরম অদুদা এম পি সি বি এন্দ কে ভি আই বিগী চেয়ারমেন ওইনাম কেন্দ্রগী এমএলএ এল রাধাকিশ্বর সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, অপুনবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক কনবা লূপ কৈনৌগী চেয়ারমেন এন চনু চিংখৈঙানবীনা থৌরম মপু অমদি কৈনৌ জিলা পরিষদকী মেম্বর এন সোমানন্দ সিংহ, কৈনৌ গ্রাম পাঞ্চয়টকী ৱার্দ মেম্বর সি ঐচ ওজিৎ সিংহ, মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরী কে ঐচ শ্যাম সিংহ অমসুং বিষ্ণুপুরগী ২শুবা ও সি ৱাই মোতিলাল সিংহনা ইকায় খুম্নরবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এম এল এ এল রাধাকিশ্বরনা হায়, পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিনা অনৌবা ইনোত অমা শোইদনা লাক্কনি। খুন্নাই অসিদা হৌখিবা চহী কয়া অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবগী চাওরবা চৈথেং অমা থেংনরি। মসিদা ইমা ইবেলশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, থৌরম অসিদা অখঙ অহৈশিংনা ঙাং খিবখক্তনা লোইবা নত্তে। অফবা খুন্নাই অমা পুথোকপা হায়বসি ইশা ইশাগী ইমুংদগী হান্না হৌগদবনি। ফত্তবা থবক তৌরক্লিবশিং অসিদা ইনভাইরনমেন্টকী থৌদাং চাওনা লৈ। মরম অদুনা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নদুনা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা থিংনবা হোৎনমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সনশিং ওইখিবা এম য়ু দিপার্টমেন্ট ওফ ইকোনোমিসকী প্রোফেসার ডা. চিংলেন মৈস্নাম, সাইক্যাত্রিক দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল বিষ্ণুপুরগী ডা. এন জ্ঞনেশ্বর (এম দি), এল এম এস লো কলেজ ইম্ফালগী লেকচরর ডা. সাপম দিলিপ কুমার, এদভোকেট পি প্রেমচান্দ অমসুং অমদাগী ময়াই লোইশঙগী ফোমর সেক্রেটরী এন বোবো মৈতৈনা মথং শীৎনা শেন্মীৎলোন অমসুং ময়াই কাবা চিঞ্জাক, ময়াই কাবা চিঞ্জাকনা ওইহল্লকপা লায়না লায়ওংশিং, ময়াই কাবা চিঞ্জাক অমসুং লো, ময়াই কাবা চিঞ্জাকনা নুপী অঙাংশিংদা পীরকপা মীওৎ মীনৈ অমসুং মসিনা পীরকপা চৈথেং হায়বা হিরমশিং অসিদা ৱা ঙাংখি। লোয়ননা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা কৈনৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংদা লৈবা অহল নুপা ১০ অমসুং নুপী ১০ পুন্না মীওই ২০দা অচম্বা খুদোল পোৎশিং পীদুনা ইকায় খুম্নখি।

# শা-ষণশিংগী মচিঞ্জাক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২১ঃ

হন্দক ঈচাওনা শোকহনখ্রবা নম্বোল কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা খুঙ্গংশিংদা ষ্টেট ভেটিরিনরি দিভলপমেন্ট অমদি নম্বোল ভেটিরিনরি হোস্পিটালগা পূন্না খূৎশম্নদুনা শা-ষণশিংগী মচিঞ্জাক য়েন্থোকখ্রে।

লেপ্পা লৈতনা চথরকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু নম্বোল অৱাং লৈকাই অমদি য়ুথ স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ক্লব নম্বোল মখা লৈকাইদসু ক্লবগী মেম্বরশিংগা লোয়ননা শা-ষণশিংনা চানবা চারু ষণ অমদা মপুল ২-২সু য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা জোইন্ট দাইরেক্টর বিষ্ণুপুর গোজেন্দ্রো অমদি নম্বোল ভেটেরিনরি হোস্পিটালগী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

# তেঙবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২১ঃ

হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা নম্বোল কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা নম্বোল নাওরেমগী ইমুংশিংদা বি জে পি নম্বোল মন্দলনা শীন্দুনা মখা তানা ঈচাওগী তেঙবাং পোৎলমশিং ঙসি য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বি জে পি নম্বোল নম্বোল মন্দলগী প্রসিদেন্ট সলাম ব্রজামনি সিংহ, সেক্রেটরী অহোংশাংবম জিতেন সিংহ অমদি অতৈ থৌমী কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

ঈচাওনা শোকহল্লবা ইমুংশিংদা চানবা চেঙ, হৱাই, অচাথাও, থুমনচিংবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখি। ঈচাও হন্থরক্লবসু শুফম নোম্ফম খঙদ্রিঙৈ মতমসিদা মখা তানা তেঙবাং পোৎলমশিং পীবিবগীদমক খুলসিগী মীওইশিংনা বি জে পি নম্বোল মন্দলবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# চান্দেলদা কম্ম্যুনিতি মোবিলাইজেসন প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

চান্দেল, জুন ২১ঃ

জোনেল এদুকেসন ওফিসার (জেদ ই ও) চান্দেল অমসুং ষ্টাফশিংগা পুন্না জোনেল অসিগী মখাদা লৈবা স্কুলশিংগী মেনেজমেন্ট কমিতিগী চেয়ারপার্সনশিং, কনভেনরশিং অমসুং মেম্বরশিংগী ওইবা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কম্ম্যুনিতি মোবিলাইজেসন প্রোগ্রাম দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেদ ক্বাটর জৌফৌ বজারদা লৈবা ইনেদার ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থা অসিগী ২৩ ফাওবা চথগদবা প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার চান্দেল কৃষ্ণ কুমার (আই এ এস)না অথোইবা মীথুংলেন, জেদ ই ও চান্দেল এল নবকুমার সিংহনা থৌরম মপু অমদি জেদ ই ও চান্দেলগী এ আই ঐচ বি ষ্টারসন অনাল, দি পি এম এম বক্তিয়ার সেদনা ইকায়খুম্নরবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অহৌবা নুমিৎতা জেদ ই ও চান্দেলগী নোদেল ওফিসার ঐচ ঙম্বা মরিংনা রোল এন্দ ফঙ্কসন ওফ স্কুল মেনেজমেন্ট কমিতি (এস এম সি) হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংখি। লোয়ননা নোকফদে কাংবুনা রোল এন্দ ফঙ্কসন ওফ এস এম সিগা মরী লৈননা লীলা অমসু শান্নদুনা মীয়ামদা উৎখি।

# পুরুম তম্পাক্তা লৌমীশিংগী এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

চান্দেল, জুন ২১ঃ

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী নেসনেল ফুদ সিক্যুরিটি মিসন ২০১৭-১৮গী শেন্থং মখাদা য়ুনাইটেদ ত্রাইবেল দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট (য়ু টি দি পি) চন্দোংপোকপী, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা ফৌগী পোখোক হেন্না পুথোকপা ঙম্নবগী মতাংদা লৌমীশিংগী নোংমগী ওইবা এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পুরুম তম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল চান্দেলগী মেম্বর টি ঐচ হোপসন চোথে (রিটয়ার এম সি এস)না অথোইবা মীথুংলেন, পুরুম তম্পাক্কী ভিলেজ চীফ টি ঐচ বিচোং চোথেনা থৌরম মপু, য়ুনাইটেদ ত্রাইবেল দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট চান্দোংপোকপীগী চীফ ফঙ্কসনরি ৱাই রোমিও চোথেনা মোদরেটর লাইনিংখুল ভিলেজগী চীফ এম শেলচাও চোথেনা ইকায় খুম্নরবা মীথুংলেন ওইখি।

এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম অদুদা পুরুম তম্পাক, থৌনাওজম, য়াংদোং, লিতান, ইলাংপোকপী, লাইনিংখুলদগী লৌমী ১০০ রোমনা শরুক য়াখি। সোইল টেষ্টিং লেবরেটোরি পোরোম্পাৎকী এ এ ও ওইরিবা এল সনাতোম্বানা লৈবাক লৈহাও ফগৎহন্নবগী মতাংদা, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী এন্টোমোলোজিষ্ট এস রাজেননা ফৌদা তাবা লায়না তিন্নাদগী ঙাকথোক্লবগী মতাংদা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা ৱা ঙাংখি।

**লমায় ১ গী মখা**

# নেস্নেল হায়ৱেদা মাল পুশিল্লক্লিবা গারীগী দ্রাইভরশিংদা মরম চাদনা...

গারীশিং মরি লৈনবা ওঠোরিতিনা চেক তৌবা য়াগনি। অদুগা ফিজম শেৎলগা মরী লৈনবদা মীওইশিংনা ওঠোরিতি শারগা গারীশিং ফাজিন পুনশিনবা তৌবা অসি য়ারোই হায়খি।

গারীগী চলান ফাজিনবা, ট্রক দিটেন তৌবগী ওঠোরিতি মখোয়দা লৈতে, মখা তানা দ্রাইভরশিং ওৎনৈবগী থবক চথবা য়ারোই হায়খি।

অসিগুম্বা থবকশিং অসি মখা চথরক্লবদি দ্রাইভর য়ুনিয়ননা চপ চানা থেংননবা শেম শাদুনা লৈরি। জিরিবাম লম্বীদা সিমেন্ট অমসুং ষ্টিল করবার তৌরম্বা মীওই খরনা নেসনেল হায়ৱেদা ব্যুজিসেন তৌবা য়ারক্ত্রগা নেসনেল হায়ৱে-টুদা চেল্লিবা গারীশিংদা অৱাবা পীবা য়ারোই।

মখোয়না তৌনিংবা মওংদা তৌবা অসি করম্বা ওঠোরিতিনা অয়াবা পীবনো। মসি য়েংশিনবা দরকার ওই। মপান্দগী পুশিনলক্লিবা পোৎ খুদিংমক অসি ষ্টেট অসিগীনি। সেন্ত্রেল মোটোর ভেহিকল এক্ট অমসুং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওর্দর শিংনজবা নত্তে। অদুবু মীচম অনী অহুম্না শারগা মীয়ামগী পুক্চাক পুরক্লিবা দ্রাইভরশিংদা অওৎ অনৈ চথবা তারবদি দ্রাইভর য়ুনিয়না তুমিন্না লৈরোই হায়না অনিলনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কৈরাওদা আয়ুসখক্তগী অখন্নবা...

মফম অসিদা য়াম্না কম্পেক্ট ওইবা আয়ুসকী মফম অমা ওইনা থম্নবা লোয়ননা মফম অসিদা হার্বেল গার্দেন শেমগৎনবা থৌরাংসু লৈরে হায়খি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ আয়ুসনা ষ্টেট অসিগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হার্বেল গার্দেন অহুম, হোম হার্বেল গার্দেন ১৫০, স্কুল হার্বেল গার্দেন ১৫ লিংখৎনবা অয়াবা পীরক্লে। ইম্ফালগী কংলা মনুংদসু কংলা ফোর্ট হার্বেল গার্দেন শেমগৎনবা সেঙ্কসনসু তৌরক্তুনা লৈরে হায়খি।

কৈরাওদা শাগৎলিবা আয়ুস হোস্পিটাল অসিদা আয়ুসখক্তা নত্তনা এলোপেঠিগী স্পিসিয়েলিষ্টশিংগী অনা লায়েংগী খুদোংচাবসু মীয়ামদা ফংহন্নবা পান্দম লৈ হায়না ডা. গুনেশ্বরনা ফোঙদোকখি।

# থীংলবা পোৎলমশিং, নোংমৈ

গোদাউনসিদগী ফাগৎখিবা পোৎলমশিংনা এস পি কেপসুল ৯৯৭, এন-১০ টেব্লেট ২০০, কোদিন কফসিরপ বোটল ২২৭, গোদজিল্লা মোসক্যুইটো কোইলা পেকেট ৪২,০০০, ম্যান্মারনা শাবা চুরুপ পেকেট ১,১৫,০০০নি হায়রি।

রেইদ অসি দিষ্ট্রিক্টসিগী এদিস্নেল এস পি (ওপস)কী লমজিং মখাদা দি এস পি (ওপস)না লুচিংলগা চথখিবনি হায়রি।

# এ আরনা লুপা ক্রোর ৭ রোমগী

অদুবু মহাক্না হুন্দোক্লম্বা বেগ অনী রিকোভর তৌবদগী য়েংলুবদা দ্রগশিং অসি য়াওরম্বনি হায়রি।

চেরো অসিনা মখা তানা হায়বদা চহীসিগী মার্চতগী হৌজিক ফাওবদা ২৬ শুবা সেক্টর অসাম রাইফলসনা রিকোভর তৌবা দ্রগশিং অসি লুপা ক্রোর ৪৯,১৭৪ রোমগী ওইরগনি হায়রি।

# কংগ্রেসকী চহি ১৫গী সাসনগা বি জে পিগী চহি ১ মখায়গী সাসনগা খেন্নবা মীয়াম্না উরেঃ *সরতকুমার*

এস এন এস

ইম্ফাল, জুন ২১ ঃ কংগ্রেস পার্টিনা চহি ১৫ চুপ্পা মণিপুরদা তৌরম্বা সাসন অমসুং বি জে পিগী এন বিরেননা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিগী চহি অমা মখায়গী সাসনগী মওং অনী অসিগী খেন্নবা মীয়াম্না উবা ফংলে। অফবা লৈঙাক লৈবগী নুংঙাইবা মহাউ প্রজাশিংদা ফংহনবা ঙম্লে হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরী এদমিনিষ্ট্রেসন কে সরতকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি সেকমাই কেন্দ্রগী মনুং চনবা লাইরেনকাবীদা লমশাং গ্যাস এজেন্সি অমসুং বি জে পি সেকমাই মন্দল অনী পুন্না খূৎশম্নদুনা পাঙথোকপা উজৱালা স্কিমগী মখাদা বেনিফিসিয়ারিশিংদা এল পি জি কনেক্সন য়েন্থোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা হায়, কংগ্রেসকী চহি ১৫গী সাসনগী মতমদা লমদম অসিদা চীং অমসুং তমগী মরক্তা নুংশিনদবা অমসুং চুরাচান্দপুরদা মীওইবগী অশিবা হকচাং ৯ নুমিৎ ৬৬৫ নি মোর্গতা হুন্দোক্তুনা থনমখিবনি।

ঙসিনি অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসি লাকপদগী চীং তম অনীগী মরক্তা নুংশিনরমদবা নুংশিনরে, মীরেনশংদা তাদুনা লৈরম্বা হকচাংশিং মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে। অসিগুম্বা মখলগী মীয়ামগী সাসন অদুনি ঙসি মীয়াম্না উরিবসি।

অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং অসি পায়খৎহনখিগে, চীং তম নুংশিননা লৈহনখিগে হায়বা তারবদি চহি ফাজিনলক্ত্রবা ইং ২০১৯গী লোক সভাগী মীখলদা মণিপুরগী কেন্দ্র অনিদা বি জে পিগী মীহুৎশিং মায় পাকহনবীয়ু হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক সেন্তরনা পায়খৎলিবা স্কিম প্রোজেক্টশিং অসিগী খুদোংচাবদি ফংবা য়ারবা অদুবু মদুগী খুদোংচাবা অদু ফংদবা মীওই কয়া লৈরি। স্কিমশিং অসি সোসিও ইকোনোমিক কাষ্ট সেন্সসকী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইবনা মদুদা য়াওহৌদবা মীওইশিং মসিগী খুদোংচাবা ফংদবনি।

মরম অদুনা সোসিও ইকোনোমিক কাষ্ট সেন্সস লাকপা মতমদা ইশা ইশাগী অশেংবা ৱাফমশিং অদু ফোঙদোকপীয়ু। ইকাই খাঙবদগী লৈশু লৈতবা পোৎলমশিং লৈ হায়না ফোঙদোকপীগনু হায়খি। মদুগুম্বা ময়াম অসিনা মরম ওইরগা নোংমগী শুরগা চাজরিবা মীওই কয়া খুদোংচাবশিং অদু ফংবা ঙমদনা লৈরি।

হৌজিক নেসনেল ফুদ সেক্যুরিতি এক্টকী থবকশিং কংগ্রেসকী মতমদা পায়খৎলম্মী হায়রবসু কার্দ হৌজিক পীথোক্তনা লৈরি। মসি মখোয়না অরানবা তৌরম্বা কয়া অদু থিদোক্লবা হোৎনবদা মতম চংবদগীনি। অসিগুম্বা চেঙশিং অসি বি জে পিনা কাবা মফমদা য়েল্লবসু কংগ্রেসনা কাবা মফমদদি য়েন্দবনি।

ওল্ড এজ পেন্সন পীবদসু পীবা য়াদবা মীওই কয়া পীশিনলম্মী। বি জে পিনা হৌজিক সাসন তৌরিবা অসিনা মনুং মপান ফাওনা উবা ঙম্বা থবকশিং তৌরি। কংগ্রেসকী মতমদা এয়ারপোর্টতগী দ্রগ ফাবা, চীফ মিনিষ্টর ওফিস লান্না শিজিন্নদুনা মহাক্কা নক্লবা মীওইশিংগী তেলিফোন তৌরক্তুনা পাউ পীরুবদগী এস আই টি মুথৎখিবনি। ওফিসার অদু ট্রান্সফর তৌখি।

বি জে পিগী গভর্ণমেন্ট পায়রিবা চীফ মিনিষ্টরগী পাউতাক মতুংইন্না নিশা লল্লোনবা মীওইশিং অদু ফানবা খঙহনবগা লোয়ননা ফারগা বি জে পিদগী তান্থোকখিবনি। মীয়াম্না উবা য়াবা মওংদা সাসন তৌবা অদুবু অফবা সাসন কৌই। কংগ্রেসকী অরোন অথুপকী সাসন অদুনা কংগ্রেস পার্টি ইন্দিয়াদগী মুৎলকপনি হায়খি।

থৌরম অদুদা ইকাই খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরী মেদিয়া এন নিম্বসনা হায়, লৈঙাক অসিনা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদবা মচাশিংবু শেম্বা ঙম্নবা নুপীশিং অসি মশা মউ ফনা থমদবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা উজৱালা গ্যাস কনেক্সন লেম্না পীবগী থবক চথরকপনি।

মতম অমদা শীংনা চাক থোংবা, ৱাইনা মৈ থারগা চাক থোংবদা চাক থোংলিবা নুপীশিংনা হকচাংদা লায়না মখল কয়া নারক্লবগী মচাক ওইবনা পুন্সি তেনশিন্নবগী মরম ওইহল্লি। মদুনা মমা ওইবীশিংনা নিংজবা পান্দম অদু ফংবা ঙমদনা পুন্সি লোমখিবগী ফিভম অমা লাকপা অসিদগী নরেন্দ্র মোদিনা খঙবদগী নুপীশিংদা গ্যাস কনেক্সন লেম্না পীরি। মণিপুরদসু মসিগী স্কিম অসি চহি খরগী মমাঙদা হৌদোকখ্রবনি।

অদুবু মতম অদুদা লৈরম্বা লমদম অদুগী লৈঙাক্না স্কিম অসি মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌরমদবনা মরম ওইরগা ইং ২০১৭কী মার্চ ৩১ ফাওবদা শুপ্নতগী গ্যাস কনেক্সন ২৫ খক্তমক পীরমখি। লাইবক ফবদি অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসি লাকপদগীদি সেন্টরনা স্পোন্সর তৌবা স্কিমশিং অসি মপুং ফানা পায়খত্নুনা ষ্টেট অসিদা লেম্না এল পি জি কনেক্সন ৪৮,৯৮৬ পীখ্রে।

চহি অমরোম অসিদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা মমা ওইবীশিংদা গ্যাস কনেক্সন পীবা অসিনা মখোয়গী অৱাবা য়াম্না কোকহনবা ঙম্লে হায়খি।

থৌরম অদুদা বি জে পি সেকমাই মন্দলগী প্রসিদেন্ট কে সোহোদেবনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

# লাইরিক ফবা মহৈরোইশিং ওকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২১ঃ

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর, কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর অমসুং সি বি এস ইনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী পরিক্ষাদা অহানবা দিভিজনদা মায় পাক্লবা ইম্ফাল ইষ্টকী কৈরাও বিত্রাদা লৈবা মহৈরোইশিংবু ওকপগী থৌরম অমা টেন ষ্টার দিভলপমেন্ট সোসাইটি কৈরাও বিত্রানা শীন্দুনা নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী হরাওবুংদা পাঙথোকখ্রে।

সোসাইটি অসিনা শীনবা ১৩লক শুবা চহীগী মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা শক্নাইরবা ফিল্ম এক্টর অমসুং লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইনবা থৌরাং তৌরিবা আর কে সোমোরেন্দ্রো (কাইকু)না অথোইবা মীথুং, কৈরাও গ্রাম পঞ্চয়টকী প্রধান কে চোরজিৎনা থৌরম মপু, নোংপোক নিংথৌ দিভলপমেন্ট কমিতি কৈরাও বিত্রাগী প্রসিদেন্ট টি জয় অমসুং য়ুথ দিভলপমেন্ট সেন্টর ক্লবকী প্রসিদেন্ট এম মঙলেম্বনা ইকায় খুম্নরবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

থৌরম অদুদা আর কে সোমোরেন্দ্রোনা হায়, এদুকেসন হায়বসিনা খুন্নাই অসিগী য়াংলেন শরুনি। মীপুম খুদিংমক লাইরিক হৈরবা খুন্নাই অদু চাওখৎ লমজেলদা মাঙথানা চঙশিনবা ঙমগনি। অদুবু লমদম অসিগী লাইরিক লাইশু মতিক চানা হৈরবা মীওইশিংনা মশক নাইবা মী ওইখ্রবা তুংদা লৈবাক্কী খনবগী মহুত্তা মশাগী শেন্দাল লম্বীদা মায় ওনশিন্দুনা থৱায় য়াওশিনবগুম তৌরি।

অসিগুম্বা থৌওং অসিনা ষ্টেট অসিগী চাওখৎ থৌরাংদা থিন্থনবগী মচাক ওইহল্লি। মরম অদুনা হৌগৎলক্লিবা মহৈরোইশিংনা অফবা মী ওইনবা হোৎনবদা ৱাখিবা অদুগুম্না ফম্নাইবা ওইরক্লবা তুংদা লৈবাক্কীদমক অৱা অনা থিদনা থবক তৌবা ঙম্নবা হোৎনসি হায়খি।

**লমায় ১ গী মখা**

# কংগ্রেস সেবা দলগী থবক থৌরমশিং রিফোর্ম তৌরকপা অসিনা কংগ্রেসপু মপাঙ্গল কলহল্লগনিঃ ইবোবি

মণিপুরদা হৌজিক ত্রেন তৌরবা কংগ্রেস সেবা দল ভোলুন্তিয়ার ৫০০গী মথক্তা লৈরে। মখোয়শিং অসি কখোকপা অমসুং অচেৎপা ফিরেপ লৌরগা থবক তৌবা থৌমীশিংনি।

পার্টি অসিদা য়াওরকপা মীওইশিং অসি সেবাদলগী বেকগ্রাউন্দ লৈবা মীওইশিং য়াওরকপা তারবদি মদুনা হেন্না অফবা মগুন লৈবা লুচিংবশিং পুথোকপদা মতেং ওইগনি হায়খি।

থৌরম অদুগী থৌরম মপু ওইখিবা ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস সেবা দলগী চীফ ওর্গনাইজর লালজি দেসাইনা হায়, বৃটিশনা ইন্দিয়াবু খুদুম চন্দুনা লৈরিঙৈগী মতমদা সেবা দলগী ভোলুন্তিয়ারশিং অসি বৃটিশ কাঙবুনা অকিবা ফাওরিবনি।

হান্নদি কংগ্রেস সেবা দল অসি পার্টিগী থৌরমশিংদা লুচিংবশিং ঙাক শেনবা অমসুং মখোয়গী সেবা তৌরম্বা অদু এ আই সি সিগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগী পাউতাক মতুংইন্না মখোয়শিং অসি মীয়ামগী মতেং পাঙনবা লৈবা ফোর্স অমা ওইনা শেমগৎনবা থৌরাং লৈরে।

আর এস এসনা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা জাতি ধর্ম্মদা য়ুম্ফম ওইরগা লৈবাক কায়নবা শিল্লিবনি। অদুবু কংগ্রেস সেবাদলনা জাতি ধর্ম্মগী মরক্তা খেন্নবা থমদনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

আর এস এস অসি পোলিটিকেল পার্টিগা মরী লৈনদে হায়না মখোয়না হায়জরবসু মখোয়না বি জে পিগী মীখলগী কেম্পেইন চথরিবনি। কংগ্রেস সেবাদলসু মীখলগা মরী লৈনবা কেম্পেইনশিংদা শরুক য়াদুনা কংগ্রেস পার্টিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা থৌদাং লৌগনি।

কংগ্রেস সেবাদলনা মসিগী ওইনা য়ং ব্রিগেদ অমা শেমগৎলে। লোয়ননা আগষ্ট ৯দা ফ্লেগ মার্চ অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

এম এল এ কে গোবিন্দাসনা হায়, ঙসিগী অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসিদা য়াওরিবা ভোলুন্তিয়ারশিং অসি নোংমদি শোয়দনা লুচিংবা অমমম ওইরক্কদৌরিবনি।

লৈবাক অসিগী অপুনবগী শক্তম অসি ধর্ম্মগী মিংদা জাতি কুচু খায়বা থবক তৌবা ফন্দামেন্টেলিষ্ট পার্টি খরনা চাওনা শিংনরক্লি। ফিভম অসি মতম শাংনা চথহল্লবদি লৈবাক অসিদা অহুমলকশুবা ওইনা পার্টিসনগী ইহৌ লাকপা য়াবগী মীপায়বা লৈতবা নত্তে।

ঐখোয় পুম্নমক অসি কন্সটিট্যুসনগী মখাদা লৈবনি লোয়ননা জাতি ধর্ম্ম খুদিংমক অমনা অমবু ইকাই খুম্নগদবনি। কংগ্রেস সেবাদলনা উপ্লিবা টুপি অসি বৃটিশশিং লান্থেংনবদা উপখিবা তুপীনি।

কেম্প অসিদা অসাম, মণিপুর, নাগালেন্দ, সিক্কিম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতগী দেলিগেটশিংনা শরুক য়ারি।